হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.252 | য়ূমশকৈশা, পোইনুগী ১৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১০ | HUEIYEN LANPAO, Wednesday, December 06, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী মখাদা লৈবা ২৬-অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টনা চ্যের লৌদুনা এক্স-সার্ভিসমেনশিং অমসুং লুখ্রা ওইহৌ-রবীশিং উনবগী শক্তম

লামায় ৩

বি জে পিগী থৌমী খরনা ৱাংখেমচা শামজাইদা অকল-অরিং শীংলকপগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাউমীশিংনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগী শক্তম

লামায় ১

কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্ট, আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরনা শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড সোইল দেগী থৌরমদা সোইল কার্দ য়েন্থোকপগী শক্তম

লামায় ৩

মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি ডো. মৈন্যনা অসাম প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা রাহুল গান্ধীগী নোমিনেসন ফাইল তৌনবা থৌরাংবা

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৪৪
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৭০

পাউমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫: ভি আই পি কলচরগী মতাংদা আই এস টি ভিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা কংলৈপাক্কী মৈরাগী চীফ এদিটর ৱাংখেমচা শামজাইনা ৱাফম খরা ফোঙলুবগী মতাংদা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) অমদি স্পোক্সপর্সন অমনা অকল-অরিং শীংলকপগী মায়োক্তা ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী ৪ ফাওবা কৈশামপাৎ ইলেক্ট্রিসিটি ওফিস মমাংদা পাউমীশিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

অৱায়মল হেনগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫: ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর (বোট)কী অৱায়মল রিভাইস তৌরে হায়না দিরেক্টর ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি। ওর্দর অদুনা হায়, বোটকী অৱায়মল অয়ুক্তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা হান্না লুপা ১০,০০০ লৌরম্বা অদু রিভাইস রেটতা লুপা ১৫,০০০ ওইরগনি। নুংথিল পুং ৪ দগী নুমিদাং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৩.৪৫ °C	৮.০৮ °C
চান্দেল	২৭.৭৫ °C	৯.৬৭ °C
সীসীপুর	২২.৩০ °C	৭.০১ °C
ইম্ফাল	২৬.২০ °C	৬.৯০ °C
সেনাপতি	২৩.০৫ °C	৫.১৬ °C
তমেংলোং	২৪.৬০ °C	১৬.৪৬ °C
থৌবাল	২৪.১০ °C	৭.৮৮ °C
উখ্রুল	১৯.০৪ °C	৬.৭০ °C
মণিপুর	২৭.৭৫ °C	৫.১৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.085620
US Dollar	64.365673
British Pound	86.563889
Australian Dollar	48.961773
Chinese Yuan Renminbi	9.723980
Japanese Yen	0.570961
Malaysian Ringgit	15.840428
Norwegian Krone	7.753738
Singapore Dollar	47.771424
South Korean Won	0.059156
Swedish Krona	7.676515
Turkish Lira	16.757364
Myanmar Kyat	0.04723
Bangladesh Taka	0.77582

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29721.93
Mumbai	–	Rs 30577.54
Delhi	–	Rs 30106.95
Kolkata	–	Rs 30663.10

HL POLL

Q : Maheiroi leitraba Leingakki school ayaba yaodana sidokkhibada chennabasing cheirak pifam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Leingakki employeesingna mama mapa yumdagi tanthoklagadi action lounaba law semba sougatkadra?

Yes 84% No 16%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

এসিদ এটেককী লায়চৎ থুংলরে সিক্যুরিটি লৌহৌরো ইবেম্মসা...!


টি ভিদা লাউনবা তল্লিদা...!

হোর্নবিল ফেষ্টিবেলদা সী এম বিরেন শরুক য়াখ্রে

পূন্না ফংমিন্নবা য়াবা খূদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনমিন্নগদবনি : বিরেন

ইম্ফাল, ডিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

নাগালেন্দগী কিসামাদা পাঙথোক্লিবা হোর্নবিল ফেষ্টিবেলদা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন শরুক য়াখ্রে। ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমনা শরুক য়াবা এন বিরেননা ওইরে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, য়ুমথংননা লৈমিন্নরিবা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ পূন্না হোৎনমিন্নদুনা খূদোংচাবা কয়া ফংমিন্ননবা অমসুং মীয়াম, মরুওইনা নহারোলশিংগী অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনগদবনি। মহৌশাগী ফজবা কয়ানা লৈতেংলবা কিসামাদা পাঙথোকপা হোর্নবিল ফেষ্টিবেল, ২০১৭ তা শরুক য়াবা ফংহনবীবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা নাগালেন্দনা ষ্টেটহুদ ফংলকপা চহী ৫৪ শুরকপগা মরী লৈননা নাগালেন্দগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

ফুরুপ খূদিংমক্না কথোকপা অমগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা মশা-মশাগী ওইবা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, তশেংবদি নাগালেন্দ অসি ফেষ্টিবেলশিংগী মফমনি হায়না লৌবা য়াই। হোর্নবিল ফেষ্টিবেলনা ফেষ্টিবেলশিংগী মরক্তগী অথোইবনি।

হোর্নবিল ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ানবা চেবাউ পীরকপগীদমক নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, নীংথিরবা কুক্ষে অসিদা শরুক য়াবা ফংহনবীবগীদমক নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অচিনবা মতম কাইথোক্লগা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ডিভলপমেন্ট সম্মিট অমদি মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৭ য়াওবা লাকপীখিবগীদমক্তসু চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎলি।

য়ূম্লোন্নবা ষ্টেট অনীগী মরক্তা মান্নবা কয়ামরুম লৈ হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অনীগী মীয়াম অমসুং ইনষ্টিট্যুসনশিংনা অমতা ওইনা মান্নবা পান্দম অমগীদমক থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই। ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী সর্কিট হাউস অমা শানবা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা পুখৎলকপা ৱাফম মাঙদা থল্লবা মতুংদা মথং চহীদগীদি ষ্টেট অনীগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা কুক্ষে-মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল অমসুং নাগালেন্দ হোর্নবিল ফেষ্টিবেল অমুক্তা হেন্না চাওখৎহন্নবা পূন্না থৌরাং লৌখৎমিন্নবা মথৌ তারে।

চহী ৭৪ গী মমাঙদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউ মতমদা খ্বাইদগী কনবা লানফম অনী ইম্ফাল অমসুং কোহিমাদা শোক্লখি। গভর্নমেন্টনা ওন্ট্রপ্রিন্যুরশিং, হিষ্টোরিয়নশিং অমসুং থৱায় য়াওবা মীওইশিংগা খূৎশম্নরগা টুরিষ্ট সর্কিট শেমগৎনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি মপূং ফানা শৌগৎপা মথৌ তাই। টুরিজম চাওখৎহনবা খকনত্তনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ওজাগী তোলোপ চারগা ডোক্টর তম্লম্বা ইমপ্লোয়ী ১গী এপোইন্টমেন্ট কক্খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না কুমজা ২০১২ দা প্রাইমারি টিচরগী এপোইন্টমেন্ট পীদুনা তোলোপ চারিবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ী অমা জেনিমসতা ডোক্টর তম্লম্বগীদমক মহাক্কী ওজা ওইবগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর কক্খ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট অসিনা ঙসি ওর্দর অমা থোকখ্রে।

ওর্দর অদুনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ফুন্দ্রে অৱাং লৈকায়দগী এম দি অনাশ খান অসি কুমজা ২০১২ দা প্রাইমারি টিচর (এস এস এ) ওইনা এপোইন্টমেন্ট তৌখি। হিয়াংলম অৱাং হঞ্জ হিদেন প্রাইমারি স্কুল, ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা পোষ্টিং পীখি। অদুবু মহাক স্কুল অসিদা নীংথিনুংঙাইনা কারকখিদে।

দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না অনাশ খানগী মথক্তা চিংনবা লাকখি। হায়রিবা প্রাইমারি ওজা অসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সতা এম বি বি এস কোর্সসু তমদুনা লৈরমখি। ইনফোর্মেসন লৌখৎপা মতমদা প্রাইমারি টিচর এপোইন্ট তৌদুনা পোষ্টিং পীখ্রবা অনাশ খান অসি জেনিমসতা এম বি বি এস কোর্স তম্বা হায়না জেনিমসকী দিন (একাদেমিক)দগী ইনফোর্মেসন লৌখি। ইনফোর্মেসন লৌবা মতমদা অনাশ খান অসি কুমজা ২০১২ গী ওগষ্ট ২৪ দগী এম বি বি এস কোর্সকী রিগ্যুলর ষ্টুদেন্ট অমা ওইনা এদমিসন তৌই হায়বা কনফর্ম তৌখি।

এম দি অনাশ খাননা এম বি বি এস কোর্স তমদুনা লৈবা থেংনরে। প্রাইমারি ওজাগী এপোইন্টমেন্ট অদু নল এন্দ ভোইদ ওইনা ট্রিট তৌরে। অনাশ খানগী প্রাইমারি টিচর খনবগী এপোইন্টমেন্ট অদু কেন্সেল তৌরে।

জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর ককচীংদা অনাশ খানগী মথক্তা এফ আই আর অমা লোজ তৌগদবনি। মখা তানা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসরনা এম দি অনাশ খানদগী মহাক্না লৌখিবা পে এন্দ এলাৱেন্স অদু রিকোভর তৌগদবনি অমদি মরী লৈনবা হেদ ওফ একাউন্টতা ওর্দর থোকপা নুমিৎ অসিদগী পারগা থা ৬কী মনুংদা দিপোজিট তৌগদবনি হায়নসু ওর্দর অদুনা মখা তারি।

অথিংবা য়াওদনা চীং লৈবাক কোৎপদগী ৱাইথৌ চীং তুম্লে

‘ফোরেষ্টকী ওফিসলশিং মথৌ তৌখিদ্রে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচ এন এস):

প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদগী লোগী ৱাংমদা চীং লৈবাক কোৎপগী থবক তৌরিবশিং য়েংশিনগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলিগী ফ্লোরদা থমখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্রে।

প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াগী মনুং চল্লিবা ৱাইথৌ চীঙ্গোলদা লন্নাই মীওই কয়ানা এক্সকাভেটর শীজিন্নদুনা চীং লৈবাক কোৎপগী থবক হৌজিকসু চথরি। মতমগা চুনরবা, মপাঙ্গল কল্লবা ট্রক কয়ামরুমনা চীং লৈবাকশিং অদু নুমিৎ চুপ্পা হোল্লি। মখোয়বু থিংবীনবা পুলিসসু লৈতে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংসু মমীৎ তাঙবা, মনা পঙবগা চপ মান্নখ্রে। অঙন্বশিংনা তৌবা থবক ওইবনা য়াই থারবা শামুগুম্না পুমতে তেখ্রে।

ৱাইথৌ চীঙ্গোলদা অয়াম্বা মতমদা চীং লৈবাক কোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী পাউচে অসিগী টিম অমা মফম অদুদা চঙশিনবদা চীং লৈবাক কোৎতুনা লৈরম্বা থেংনখি। এক্সকাভেটর শীজিন্নদুনা মপাঙ্গল কল্লবা ট্রকশিংদা চীং লৈবাক হাপ্লগা হোনবগী থবক তৌরম্লিবা মফম অদুগী ৱাংমদা দি পাখঙবা চীং-তম দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (চীং-তম)গী সাইটনি হায়না সাইনবোর্দ অমসু থেৎলি। সাইনবোর্দ অদুদা মফম অদু ৱাইথৌনি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফমনি হায়নসু নাখে শেংনা থারগা থল্লি।

মনাক অদুৱাইদা লৈরম্বা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, চীং লৈবাক কোৎপগী থবক অসি কনাগুম্বা মতিক-ময়াই লৈবা মীওই কাঙবু অমনা তৌবনা পুলিস পার্সনেলশিংসু, ফোরেষ্টকী ওফিসলশিংসু ...মখা লামায় ৩ কলম ১

ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুশকী ৩শুবা রাউন্দ দিসেম্বর ৭ তগী হৌরগনি : ডো. রাজো

MEDIA SENSITIZATION WORKSHOP
INTENSIFIED
MISSION INDRADHANUSH

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচ এন এস):

ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুশকী অহুমশুবা রাউন্দ থা অসিগী ৭ তগী হৌরগনি হায়না ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর ডো. কে রাজোনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীদিয়া সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশেপ্তা ৱা ঙাঙলদুনা ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর কে রাজোনা হায়খি, টি বি, টেটানস, পোলিও, জপানিজ ইনকেফেলাইটিস, মিজলস, হেপাটাইটিসনচিংবা কয়াদগী লাপথোক্লবগীদমক ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুশ চত্থগনি।

মিসন অসি উখ্রুল, চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, তমেংলোংনচিংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু চত্থগনি। তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদি লম্বী-থোং অমসুং ঈ-পাউ ফাওদোকফাওজিনগী খূদোংচাবা ফজনা লৈবনা মিসন অসি পাঙথোকপদা খূদোংচাদবা অমত্তা মায়োক্লুদে। অদুবু, চীংগী মফমশিংদদি চৎথোক-চৎশিনদা খূদোংচাদবা কয়া লৈ। অহানবা রাউন্দা দিষ্ট্রিক্ট ৪ অসিদা চাদা ৮৮, অনীশুবা রাউন্দদসু চাংচৎ অসিদা অদুমক লৈখি। অহুমশুবা রাউন্দদদি হেন্না ফগৎলক্কনি খল্লি। অঙাংশিংদা মখল-মখা কয়াগী লায়না-তিন্নাশিং চঙদনবা টিকা থাহৌনবগীদমক মিসন ইন্দ্রধনুশ হায়বসি লাকখিবনি। ষ্টেট অসিগী অঙাং চাদা ৯০ মিসন অসিনা কোনশিন্নবা হোৎনরি।

ইন্টেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুশ অসি প্রাইম মিনিষ্টরগী মখাদা লৈবা কেবিনেট সেক্রেটরিনা মোনিটর তৌই। ষ্টেট লেবেলদগীসু মোনিটর তৌই। প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াম্না লূম্না লৌবা প্রোগ্রাম অমনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

সোইল দেগা মরী লৈননা ৱাখল তামিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫(ঐচ এন এস):

গ্রীন ফাউন্দেসন, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সী (মোমা)না শীন্দুনা ক্যেরিং ফোর দি প্লানেট ষ্টার্ট ফ্রোম দি গ্রাউন্দ হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মোমাগী প্রোজেক্ট ওফিসর দেবদত্তনা হায়খি, লৈবাক লৈহাউ অসি থৱায় পান্দবনি হায়বা ৱাখল অসি থাদোকসি। মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা খূদিংমক্কী হৌরকফম অমসুং মসিদগী পুথোরকপা পোত্থোকশিংনা হিংনবগী লম্বী ওইরিবনি হায়বসি নীংশিংদুনা লৈবাক লৈহাউ কন্নবা হোৎনসি। লৈবাক লৈহাউবু অহিংবনি খল্লগা মশা-মউ ফনা থমদুনা পোত্থোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা রিজনেল সেন্টর ওফ ওর্গানিক ফার্মিং ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট ডো. ভি পান্দেনা হায়খি, লৈবাক লৈহাউ হায়বসি থৱায় পানবা কয়াগী হৌরকফমনি। লৈহাউ অসি থৱায় পানবগুম লৌগদবনি। লৌমীশিংনা লৌ উবদা এজোলা শীজিন্নবনা ...মখা লামায় ৩ কলম২

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মতংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি। ● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/4725/11Nov-10Dec.

राष्टीय प्रौद्योगिकी संस्थान मणिपुर
National Institute of Technology Manipur
(An Institute of National Importance), MHRD, Govt. of India
Langol, Imphal- 795004

4th CONVOCATION

VENUE: NIT Manipur, Langol Campus
DATE: 8th December, 2017 (Friday) TIME: 10:00AM

Dr. Najma Heptulla
(CHIEF GUEST)
Hon'ble Governor of Manipur

Shri. Thokchom Radheshyam Singh
(GUEST OF HONOUR)
Hon'ble Minister of Education, Manipur

Shri. Ashishkumar Chauhan
(PRESIDENT)
Chairperson, BOG NIT Manipur &
MD & CEO,
Bombay Stock Exchange

R.K. Lalit Singh
Registrar, NIT Manipur

Prof. Sarungbam Birendra Singh
Chairman, Senate & Director, NIT Manipur

All Degree recipients are instructed to register for the Convocation. Detailed instructions and application form are posted in http://www.nitmanipur.ac.in Filled-in applications with necessary enclosures can be submitted online or in-person. Also you may communicate and send your application by e-mail to convocation@nitmanipur.ac.in. Mob.: 8413858810

HL-B/4264/687